## হরিকেন ইদানা মীওই ১ শিহনখ্রে

ন্যু ওর্লিন্স, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী) :

কেটেগোরি ৪ গী নোংলৈ নুংশিৎ হরিকেন ইদানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৈথেং পীবা হৌখ্রে। মরু ওইনা ন্যু ওর্লিন্সকী মফম অমদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইরগা লম্বী নাকলদা হৌবা উ পাম্বী তেক্তুনা তাশিল্লকপগী থেদোক্তা মীওই ১ শিখ্রে হায়না সেরিফ ওফিসনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসিদগী চহী ১৬ লোমগী মমাংদা লোজিয়ানা অমসুং মিসিসিপিগী খা থংবা ষ্টেটশিংদা কেটিগোরি ৩ গী অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমনা চৈথেং পীখিবা নুমিৎ অদুগা চপ মান্ননা ন্যু ওর্লিনতসু কেটিগোরি ৪ গী নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা চৈথেং পীরকখি।

পুংদা কিলোমিটর ২৩০ রোম য়াঙনা শিৎপা নুংশিৎকা লোয়ননা পাইশিল্লক্লিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা মখা তানা ন্যু ওর্লিন্সতা অকনবা চৈথেং পীরবা য়াবগী অকিবা লৈরি। সমুদ্র খোঙবাল ময়া নক্কা লৈবা মীওইশিংসু নোংলৈ নুংশিৎ অসি য়ৌরক্ত্রিঙৈগী নোংমা ৱাৎলিঙৈদা ওথোরিটিশিংনা শাফগদবা মফমশিংদা পুথোকপগী থবক চত্থবা হৌখ্রে।

অমরোমদা ন্যু ওর্লিন্সতা মতম শাংনা লৈরক্লবা জেনেটরকুর কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী পুন্সিদা হন্দক থেংনরিবা নোংলৈ নুংশিৎ অসিগুম্মা কনবা অমত্তা থেংনরকপা লৈত্রি। ঈশ্বরনা চানবীদুনা নোংলৈ নুংশিৎ অসি মখা তানা থোকহন্দবা ওইসনু মরমদি নোংলৈ নুংশিৎ অসি মখা তানা চত্থরক্লবদি অশি অনা কয়া থোক্লবা য়াই হায়রি।

## টালিবান লুচিংবশিংগা ৱারী শাবগী মতম ওইরে

বৈজিং, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী) :

টালিবাননা অফঘানিষ্টান খুদুম চনশিনখিবা নুমিৎ ১৫ নি রোম ফারকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা অহোংবা কয়া লাকপা উরে। মরম অদুনা মালেমগী লৈবাকশিংনা নৌনা পৱার পায়রক্লিবা টালিবান লুচিংবশিংগা উনদুনা অফবা লৈঙাক অমা ওইহন্নবগী পাউতাক পীবা মথৌ তারে হায়না চাইনানা য়ু এসতা হায়খ্রে।

চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং লিনা য়ু এস সিক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্তোনি ব্লিনকনগা ঙরাং টেলিফোনগী খুত্থাংদা ৱারী শান্নখিবদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। লুচিংবা অনীনা ৱারী শান্নখিবা অদুদা অফঘানিষ্টানদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা মরু ওইনা খন্নখি। য়ু এস অমসুং নেটো ক্রুপশিংনা লৈবাক অদুদগী চৎখিবা মতমদা ওইহৌগদবা ফীভমগী মতাংদসু য়াম্না কুপ্না লুচিংবা অনী অসিনা খন্নখি।

## ওকলেনদা লোকদাউনগী মতম চয়োল ২ শাংদোকখ্রে

ৱেলিংটন, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী) :

থা খরা ন্যু জিলেন্দদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা চৈথেং পীবা লেপ্পুরবা মতুং ইখং খংহৌদনা অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেলটাগী কেস অমা থেংনরকপদগী লৈবাক পুম্বদা ওগষ্ট ১৭ তগী হৌরগা লৈঙাক্লা লোকদাউন থমজিনখিবনি।

মদুগী মতুং ওকলেনদা ফাইজর-ভাইওনএনটেক কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পগী মরী লৈননা মীওই অমা শিবদগী চয়োল ২ লোকদাউনগী মতম অমুক হন্না শাংদোক্লবা লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনষ্টর জসিন্দা এর্দরনা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে।

## অইবা চায়েং পাঙথোকপদা থিংখ্রে

বৈজিং, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী) :

চাইনাদা হাইপর কম্পিটিটিভ স্কুল সিষ্টেমনা মরম ওইরগা চহী ৬ অমসুং ৭ কী মহৈরোয়শিংদা নত্তনা মমা মপা ওইবশিংদা য়াম্না চাওবা পোৎলুম অমা পুহল্লিবা অদুগী য়েংলগা হায়রিবা চহীশিং অসিগী অঙাংশিংগী অইবা চাংয়েং পাঙথোকপদা লৈঙাক্লা অথিংবা থমখ্রে হায়রি।

লৈঙাক্কী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবদা চহী কা হেন্না নৌরিবা অঙাংশিংদা প্রেসর কা হেন্না পীবা অসি অফবা নত্তে। মসিনা অঙাং অদু খক্তা নত্তনা মমা মপা ওইবশিংদা ৱাখলগী ওইবা নুংঙাইতবা কয়া পোকহল্লি।

# য়ু এসনা এয়রষ্ট্রাইক চত্থদুনা মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিং শিহনখিবগী থৌদোক টালিবাননা কন্দেম তৌরক্লি

বৈজিং, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী) :

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ু এস এয়রফোর্সনা কাবুল বোম ব্লাষ্টতা চেন্নবশিংদা টর্গেট তৌরগা চত্থখিবা এয়রষ্ট্রাইক অমদা অঙাং য়াওনা মীওই ১০ শিহনখিবগী থৌদোক অদুবু টালিবাননা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরকখিবগা লোয়ননা অফঘানিষ্টানদা করিগুম্বা থ্রেট লৈবগী ইনফোর্মেসন ফংলবসু য়ু এসনা দাইরেক্ট এয়রষ্ট্রাইক চত্থদ্রিঙৈদা টালিবানদা হান্না খঙহল্লমগদবনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা টালিবানগী ৱাঙাঙলোয় জবিরুল্লা মুজাহিদনা চাইনিজ ষ্টেট টেলিভিজন সী জি টি এনদা ফোঙদোকখিবদা য়ু এসনা ফোরেন স্বেলদা দ্রোন এটেক চত্থদুনা মরাল লৈজদ্রবশিং হাৎখিবগী থৌদোক অদু লোনা য়াদবা থবক অমনি। য়ু এসনা এয়রষ্ট্রাইক চত্থদ্রিঙৈদা টালিবানদা হান্না পাউ পীরম্লবদি মীচম অশি অনা থোক্লিবা অদু থোক্লমদবসু য়াবনি।

য়ু এসনা চিংনবা লৈরবদি মখোয়না চিংনরিবা হীরম অদুগী মতাংদা টালিবানশিংগা হান্না পাউ ফাওননবা হোৎনগদবনি। মদুনা তুংদা নাকল অনীমক্কী ওইনা খুদোংচাবা ওইগনি হায়রি। অমরোমদা পেন্টাগোন ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না কাবুল এয়রপোর্টতা এটেক্ট চত্থনবগীদমক সুসাইদ কার বোম্বর অমা শেম শাদুনা লৈরে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং এয়র ষ্ট্রাইক অদু চত্থখিবনি।

য়ু এস ক্রুপশিংনা অরোইবা ওইনা অফঘানিষ্টান থাদোক্লবা হোৎনরিঙৈ মরক অসিদা খুৎলাই পায়বা লালহৌবশিংনা এটেক চত্থরক্লিবা অসি লাইবকথিবনি। য়ু এসনা এয়রষ্ট্রাইক চত্থদুনা হাৎপা ঙমখ্রবা সুসাইদ বোম্বর অনী অদু আই এস আই এস খোরাসানগী মেম্বর ঙাক্তনি। হায়রিবা অসি টালিবান অমসুং নোংচুপ লৈবাকশিংগী য়েক্লবা গ্রুপ অমনি।

অদুমওইনমক য়ু এসতা চত্থখিবা এয়রষ্ট্রাইক অদুদা মীচম শিখি হায়বগী মতাংদা থিজিল্লে হায়না য়ু এস সেন্ট্রেল কম্মান্দনা ফোঙদোরক্লি। সেন্ট্রেল কম্মান্দনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা য়ু এসনা এয়রষ্ট্রাইক চত্থখিবা মতমদা য়ারিবমখৈ লোকেল সিভিলিয়নশিং শোক্তনবা হোৎনখি। অদুমওইনমক সুসাইদ বোম্বরশিং অদুনা পোকখায়বা য়াবা মচাক থন্না হাপ্লম্বা কার অদু পোকখায়রকপদগী মীশি মীনা য়াওবা থৌদোক অদু থোকখিবা ওইরম্বা য়াই।

থাংজ নুমিত্তসু য়ু এসনা ননগরহর প্রোভিন্সকী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা মফম অমদা এটেক চত্থদুনা ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্ট অনী হাৎখি। মদুদসু নুপী অনী য়াওনা অঙাং অমা অশোক অপন নংখি হায়না মুজাহিদনা ফোঙদোরক্লি। পনবা য়াবদি হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা কাবুল এয়রপোর্ট মনাক্তা আই এস আই এস খোরসানগী জিহাদিসশিংনা থংনা থংননা বোম অনী পোকখায়হন্দুনা মীওই ১০০ হেন্না শিহনখি। মদুগী মনুংদা য়ু এস সার্ভসমেন ১৩ য়াওরি।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং য়ু এস মিলিটরি ফোর্সশিংনা চেকশিন থৌরাং হেন্না কনশিনখিবগা লোয়ননা লালহৌবশিং লৈরম্বা য়াই চিংনবা মফমশিংদা এটেক চত্থবা হৌরকখিবনি। য়ু এস ক্রুপশিং অফঘানিষ্টানদগী হয়েং ফাওবগী মনুংদা মপুং ফানা লৌথোকখ্রগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং টালিবান ফাইটরশিংনা থা খরগী মনুংদা অফঘানিষ্টান খুদুম চনবা ঙমখিবনি। মদুদগী লৈবাক অদুগী মীওই কয়া য়াওনা ফোরেন সিটিজনশিং কাবুল এয়রপোর্টতা থোমজিন্দুনা লৈরকখিবনি।

## দিসেম্বর ১ ফাওবগী মনুংদা কোভিদনা মীওই লাক্ষ ২ হেন্না শিহল্লবা য়ারি

কোপেনহেগেন, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী) :

য়ুরোপ কন্ত্রিশিংদা কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা চহী অসিগী দিসেম্বর ১ ফাওবগী মনুংদা মীওই ২,৩৬,০০০ রোম নৌনা শিহল্লবা য়াবগী অকিবা লৈরি হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

ওর্গনাইজেসন অসিনা ঙসি ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না য়ুরোপতা লৈরিবা কা হেন্না শেন্থোক লৈতবা লৈবাকশিংদা ভেক্সিনেসনগী থবক মপুং ফানা পায়খৎপা ঙমদবা মরম্না লায়না লাইচৎ অসিনা মী শিহনবগী চাং হেনগৎলক্লি। মমাং চয়োলদা য়ুরোপতা কোভিদ-১৯ না মী শিহনবগী চাং অসি হান্নদগী হেন্না চাদা ১১ গী চাংদা হেনগৎলক্লি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসি কন্ত্রোল তৌদ্রবদি য়ুরোপতা দিসেম্বর ১ ফাওবগী মনুংদা মীওই লাক্ষ ২.৫ রোম শিরবা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না দব্লিউ ঐচ ও (য়ুরোপ) কী দিরেক্টর হানস ক্লুগেনা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিকফাওবদা য়ুরোপতা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই মিল্লিয়ন ১.৩ শিহনখ্রে। য়ুরোপতা লৈরিবা লাইরবা লৈবাকশিংদা অতোপ্পা লৈবাকশিংনা কোভিদ ভেক্সিন মতেং পীরবসু মদুনা মপুং ফাবা ওইদ্রি। য়ুরোপ কন্ত্রিশিংগী মনুং চন্না লৈবা লৈবাক খরদি হোস্পিটালদা কোভিদ-১৯ ট্রিটমেন্ট চত্থবদা শিজিন্নগদবা খুৎশু খুৎলাই ফাওবা মপুং ফানা লৈতবগী অৱাবা মায়োক্নরি।



## হি ২ থেঙ্গাইনবগী থৌদোক্তা মীওই ১১ শিরে

লিমা, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী) :

পেরুগী অমাজোন তুরেলদা পেসেঞ্জর পুবগী থবক তৌরিবা হি অনী থেংজিন্নবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবা পেসেঞ্জর ১১ শিহনখ্রে অদুগা অতৈনা থিবা ফংদনা লৈরি হায়না গভর্ণমেন্টকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাংৱাংইরম পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা পেরুগী মনুং চনবা মুয়ুনাদা লৈবা হুলাগা তুরেলদা থোকখিবনি। নুমিদাংৱাইরমগী মতম লৈচিন কা হেন্না থাবনা মরম ওইরগা মায়োক্লবা মায়কৈদগী লাকখিবা পেসেঞ্জর থন্না তোংবা হিশিং অদু মাঙদা লৈরিবা পোৎশকশিং ময়েক শেংনা উবা ঙমবদগী থেঙ্গাইনখিবনি।

থেঙ্গাইনরবা মতুং মী তোংদুনা লাকখিবা উনা শাবা হিশিং অদু মথক মখা ওনখিবনি। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ১১ শিরে ৬ না অশোক অপন নংখ্রে হয়না কনফার্ম ওইরে। অদুমওইনমক অতোপ্পা মীওইশিং অদু শিখ্রবরা নৎত্রগা হিংলিব্রা হায়বগী মতাংদদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। পনবা য়াবদি থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং হি অদুবু থৌরকখিবা মীওইশিং হৌজিকসু থিবা ফংদনা লৈরি।

## হিংনবা থবক শুবদা ঈকায়ফম থোক্তে : এক্স মিনিষ্টর

লৈপজিগ, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী) :

থবক হায়বসি থবকনি, হিংনবগীদমক ঐখোয়না পুকচেল শেংনা থবক শুবা মতমদা কনাগুম্বা অমত্তদা ঈকায়ফম থোক্তে হায়না হৌজিক হৌজিক পোৎ চৈ থিন্দোক থিঞ্জিনগী থবক তৌবিরা হান্নগী অফগানিষ্টানগী এক্স মিনিষ্টর সায়েদ সরতনা ফোঙদোরক্লি।

জর্মনিদা লৈদুনা পোৎ চৈ থিন্দোক থিঞ্জিনগী থবক তৌবিরা সায়েদনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা কুমজা ২৯১৬ তগী ২৯১৮ ফাওবা মহাক অফঘানিষ্টানদা কম্যুনিকেসন মিনিষ্টর ওইনা লৈরমখি। মহাক্না মিনিষ্ট্রি ওইদ্রিঙৈগী মমাং কুমজা ২০১৫ দা অফঘানিষ্টানদা অতোপ্পা লৈবাকশিংনা মরম ওইরগা থোকহল্লকখিবা লাল খাঙবা ঙমদবদগী জর্মনিদা অফঘান লাক্ষ ২ হেন্না চঙজফম লৌদুনা লৈখি। মহাক্না মিনিষ্টর ওইরবা মতুংদা মীয়ামগী অফবা থবক তৌগে হায়না খনখি। অদুমওইনমক মহাক্কী কেবিনেট মিনিষ্টরশিংগী মরক্তসু শেঞ্জা থুমজনা হারবা কয়া য়াওরকখি। পুম্নমক অদু হৈনরক্তবদগী মহাক জর্মনিদা লাক্তুনা হিংনবগীদমক পোৎ চৈথিন্দোক থিঞ্জিনগী থবক তৌবা হৌরকখিবনি।





## অফঘানিষ্টানগা তাইনবা ঙমখৈগী শরুক্তা খুৎ থোক্লবদা লান্মী ২ শিরে

ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী) :

পাকিষ্টান অমসুং অফঘানিষ্টানগা তাইনবা ঙমখৈগী শরুক্তা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদা পাকিষ্টান লান্মী ২ শিরে হায়না আর্মীনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা টালিবানশিংনা কাবুল খুদুম চনখ্রবা মতুং নাকল অনীগী মরক্তা হন্দক থোক্লিবা অসিনা খুৎ থোক্লবগী অহানবা থৌদোকনি হায়রি।

পাকিষ্টান আর্মীনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মখোয় তম্না নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক চত্থরকখিবা মীওইশিং অদু তম্না আর্মীশিংনা হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। মদুদা এটেকরশিং অদুগী মনুংদা য়ামদ্রবদা ২ নৎত্রগা ৩ দি শিরম্লগনি হায়রি। অদুমওইনমক অফঘান ঙমখৈগী শরুক্তা লৈরিবা মফমশিং অদু ত্রাইবেল দিষ্ট্রিক্টশিং ওইবা জর্নেলিষ্টশিং অমদি হ্যুমেন রাইটস ওর্গনাইজেসনশিংনা য়ৌশিনবদা খুদোংচাদবা অমা ওইরি।

থৌদোক অদু ঙরাং পাকিষ্টানগী বাজোর দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবনি। অফঘান ঙমখৈগা তাইননা লৈরিবা পাকিষ্টানগী বাজোর দিষ্ট্রিক্ট অসি ত্রাইবেলশিংনা নম্মা খুন্দাবা লো লৈতবা মফম অমনি। হায়রিবা মফম অসিদা মতম কয়াগী মমাংদগী পাকিষ্টান টালিবানশিং য়াওনা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক থোক্তুনা লাক্লি।

ঙরাং পাকিষ্টান আর্মীদা চত্থরকখিবা এটেক অদু করম্বা গ্রুপনা চত্থরকখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। গ্রুপ অমত্তনসু থৌদোক অসিগী মতাংদা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পাকিষ্টানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর সৈখ রসিদ অহমদনা ফোঙদোকখিবদা টালিবানশিংনা এন্টি পাকিষ্টান ওইবা থবক চত্থরক্কনি হায়বা থাজবা থমদে।

অফঘানিষ্টানসু লৈবাক অদুদগী পাকিষ্টানদা এটেক চত্থনবা হোৎনরিবা কাঙবুশিং থিংগদবনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পাকিষ্টানগী অৱাং থংবা শরুক্তা হৌখিবা জুলাই থাদা পাকিষ্টান টালিবানশিংনা সুসাইদ এটেক চত্থদুনা চাইনিজ ৱার্কর ৯ অমদি পাকিষ্টাননি ৪ শিহনখিবগী থৌদোক অদুবুসু কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা মখা তানা অসিগুম্বা থেদোকশিং থোকহন্দনবা হোৎনগদবনি হয়রি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 217,180,234 | +455,251 | 4,514,346 | +7,443 | 194,064,782 | 18,601,106 |
| 1 | USA | 39,665,515 | +37,262 | 654,689 | +284 | 30,826,478 | 8,184,348 |
| 2 | India | 32,737,569 | +43,381 | 438,387 | +527 | 31,915,969 | 383,213 |
| 3 | Brazil | 20,741,815 | +13,210 | 579,330 | +278 | 19,663,748 | 498,737 |
| 4 | Russia | 6,882,827 | +19,286 | 181,637 | +797 | 6,148,250 | 552,940 |
| 5 | France | 6,742,488 | +13,630 | 114,210 | +53 | 6,196,776 | 431,502 |
| 6 | UK | 6,731,423 | +33,196 | 132,437 | +61 | 5,383,649 | 1,215,337 |
| 7 | Turkey | 6,346,881 | +17,332 | 56,213 | +255 | 5,809,710 | 480,958 |
| 8 | Argentina | 5,173,531 | +2,073 | 111,383 | +59 | 4,862,284 | 199,864 |
| 9 | Iran | 4,926,964 | +31,516 | 106,482 | +581 | 4,146,742 | 673,740 |
| 10 | Colombia | 4,905,258 | +1,954 | 124,811 | +68 | 4,736,032 | 44,415 |
| 11 | Spain | 4,831,809 | | 84,000 | | 4,258,193 | 489,616 |
| 12 | Italy | 4,530,246 | +5,959 | 129,093 | +37 | 4,260,106 | 141,047 |
| 13 | Indonesia | 4,073,831 | +7,427 | 131,923 | +551 | 3,724,318 | 217,590 |
| 14 | Germany | 3,940,211 | +6,642 | 92,643 | +12 | 3,726,700 | 120,868 |
| 15 | Mexico | 3,328,863 | +17,546 | 257,906 | +756 | 2,655,396 | 415,561 |
| 16 | Poland | 2,888,234 | +207 | 75,340 | | 2,656,855 | 156,039 |
| 17 | South Africa | 2,764,931 | +7,740 | 81,595 | +134 | 2,526,199 | 157,137 |
| 18 | Ukraine | 2,284,191 | +1,906 | 53,720 | +34 | 2,206,392 | 24,079 |
| 19 | Peru | 2,148,419 | | 198,167 | | N/A | N/A |
| 20 | Philippines | 1,953,836 | +18,341 | 33,108 | +100 | 1,777,414 | 143,314 |
| 21 | Netherlands | 1,936,572 | +2,289 | 17,996 | +2 | 1,844,592 | 73,984 |
| 22 | Iraq | 1,874,435 | +6,083 | 20,699 | +67 | 1,719,557 | 134,179 |
| 23 | Malaysia | 1,706,089 | +20,579 | 16,087 | +285 | 1,422,005 | 267,997 |
| 24 | Czechia | 1,678,863 | +132 | 30,402 | +1 | 1,646,744 | 1,717 |
| 25 | Chile | 1,637,829 | +595 | 36,885 | +44 | 1,594,585 | 6,359 |
| 26 | Bangladesh | 1,493,537 | +3,948 | 26,015 | +89 | 1,415,697 | 51,825 |
| 27 | Canada | 1,489,813 | +1,577 | 26,901 | +3 | 1,433,095 | 29,817 |
| 28 | Japan | 1,435,050 | +23,428 | 15,896 | +45 | 1,173,112 | 246,042 |
| 29 | Belgium | 1,177,909 | | 25,360 | | 1,093,676 | 58,873 |
| 30 | Thailand | 1,174,091 | +16,536 | 11,143 | +264 | 985,246 | 177,702 |
| 31 | Pakistan | 1,152,481 | +3,909 | 25,604 | +69 | 1,033,373 | 93,504 |
| 32 | Sweden | 1,123,413 | | 14,644 | | 1,086,097 | 22,672 |
| 33 | Romania | 1,096,753 | +868 | 34,528 | +19 | 1,054,246 | 7,979 |
| 34 | Israel | 1,053,528 | +6,832 | 6,989 | +39 | 966,079 | 80,460 |
| 35 | Portugal | 1,034,947 | +1,782 | 17,721 | +10 | 971,567 | 45,659 |
| 36 | Morocco | 853,373 | +3,841 | 12,437 | +76 | 780,434 | 60,502 |
| 37 | Hungary | 811,706 | | 30,057 | | 775,286 | 6,363 |
| 38 | Jordan | 795,161 | +811 | 10,383 | +15 | 773,065 | 11,713 |
| 39 | Kazakhstan | 779,927 | +5,993 | 9,118 | +135 | 662,158 | 108,651 |
| 40 | Switzerland | 770,758 | | 10,967 | | 705,104 | 54,687 |
| 41 | Nepal | 759,222 | +1,214 | 10,714 | +24 | 712,712 | 35,796 |
| 42 | Serbia | 757,617 | +1,722 | 7,266 | +9 | 719,989 | 30,362 |
| 43 | UAE | 716,381 | +987 | 2,038 | +2 | 702,102 | 12,241 |
| 44 | Austria | 685,956 | +1,415 | 10,781 | +4 | 660,098 | 15,077 |
| 45 | Tunisia | 660,587 | +2,265 | 23,369 | +187 | 609,496 | 27,722 |
| 46 | Cuba | 640,438 | +6,277 | 5,144 | +77 | 596,846 | 38,448 |
| 47 | Lebanon | 600,451 | +1,153 | 8,044 | +4 | 551,433 | 40,974 |
| 48 | Greece | 581,315 | +1,581 | 13,581 | +37 | 530,205 | 37,529 |
| 49 | Saudi Arabia | 544,004 | +208 | 8,532 | +6 | 532,126 | 3,346 |
| 50 | Georgia | 543,118 | +2,669 | 7,251 | +76 | 482,732 | 53,135 |

## অফঘানিষ্টান থাদোক্তুনা চৎপা মতমদা টালিবাননা অয়েৎপা অমত্তা পীরোই হায়না লৈবাক ১০০ দা থাজবা পীখ্রে

ৱাশিংটন, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী) :

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়ু এস ক্রুপশিংনা অফঘানিষ্টান থাদোক্তুনা চৎখ্রবসু লৈবাক অদুদা হৌজিক হৌজিক লৈহৌরিবা ফোরেন সিটিজনশিং অমদি অফঘানিষ্টানবু থাদোক্তুনা চৎপা পাল্লিবা অফঘানশিংদা টালিবাননা অয়েৎপা অমত্তা পীদনা চৎপা য়াহনগনি হায়না লৈবাক ১০০ দা থাজবা পীখ্রে।

টালিবাননা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না য়ু এস ক্রুপশিংনা লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎখ্রবসু অফঘানিষ্টান থাদোক্তুনা চৎনিংবশিংগী ওইনা ফোরেন ত্রাভেল পেপরশিং ওফিসল ওইনা পীনবা শেম শাদুনা লৈরি। মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না থবক তৌবা হায়বসি টালিবানশিংগীসু পান্দমনি। টালিবাননা থাজবা পীখ্রবা লৈবাক ১০০ গী গ্রুপ অদুদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, বৃটেন, ফ্রান্স অমদি জর্মনিসু য়াওরি।

লৈবাক ১০০ গী গ্রুপ অসিনা থাদোরকখিবা অপূনবা ৱারোল অমগী মতুং ইন্না অফঘানিষ্টানদা নৌনা পৱার পায়রকখ্রবা টালিবাননা লৈবাক অদুদা লৈরিবা ফোরেন নেসনলশিং অমদি অফঘান সিটিজনশিংদা অয়েৎপা পীরোই। মখোয়না লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎনিংবা লৈরবসু মরী লৈনবা চে চাংশিং ওফিসল ওইবা মওংদা পীদুনা চৎহনগনি হায়বগী থাজবা পীরকখ্রে।



মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তা অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা মখোয় মখোয়গী ওইবা সিটিজনশিং অমদি মখোয়গা লোয়ননা থবক তৌমিন্নরম্বা অফঘানশিংবু অশোয় অঙাম থোকহন্দবা পাল্লি। লৈবাক অদুবু থাদোক্তুনা চৎপা পাল্লিবা অফঘান সিটিজনশিংদসু অয়েৎপা পীরোই হায়বগী থাজবা লৈ। টালিবাননসু মখোয়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম ঙাক্লা চৎনবা হোৎনগদবনি। টালিবানগী অনৌবা লৈঙাক অসিবু মালেমগী মীয়াম্না রিকগনাইজ তৌহনগে হায়রবদি হৌজিক হৌজিক মখোয়না পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম কয়া অদু পাঙথোক্লবা হোৎনগদবনি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর জেক সুলিভাননা ফোঙদোকখিবদা অফঘানিষ্টানদা হৌজিক হৌজিক লৈহৌরিবা অমেরিকানশিং অথুবা মতমদা লৌথোক্লবা হোৎনরি। অমরোমদা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী পর্মিনেন্ট মেম্বরশিং য়ু এস, বৃটেন, চাইনা, ফ্রান্স অমসুং রসিয়ানা অফঘানিষ্টানগী মতাংদা উন্নদুনা খন্নরগনি হায়রি। অদুমওইনমক টালিবাননা থাজবা পীখিবা লৈবাক ১০০ গী গ্রুপ অদুদা চাইনা অমসুং রসিয়াদি য়াওদে।

HHG Academy

Sangaiprou , Ghari Mamang Leikai (Affiliation to COHSEM)

Just Rs. 3000/- to admit

ADMISSION OPEN CLASS XI Science 2021-22

Just Rs. 3000/- to admit

Achievement: Striking 100% pass, many letter mark holders in the year 2018, 19, 20 and 2021.

FACILITIES:
i) No monthly tuition fee & Lowest course fee in the state.
ii) Reservation for children of single parent and marginalized family.
iii) Free school uniform + free school bag + free text book + free exercise book.
iv) Separate Hostel for Boys and Girls.

For offline admission : School office with SOP    For online admission : www.hhgacademy.com
Contact number: 9862445909 (Sir Nelson) / 9774571821 (Sir Jotin) / 9774269528 (Sir Ratan) / 6009861409 (Sir N I)

HL-B/7062/13-20